HUEIYEN LANPAO

Refreshingly Reliable

# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses


রাজ ভবনগী দরবার হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা 'রাজর্ষি ভগ্যাচন্দ্র এন্দ দ ভক্তি মুভমেন্ট ইন ইষ্টর্ন ইন্দিয়ন লিটরেচর' হায়না মিংথোনবা লাইরিক ফোঙখিবা



লামায় ১

মণিপুর অর্বান দিভলপমেন্ট এজেন্সি (মুদা)না শীন্দুনা হট্টা কাংজেবুংদা নুমীৎ হুম্নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা অনীশুবা সেহরি সমৃধি উটসব মেলা হৌদোকপগী থৌরম



লামায় ৪

নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়দুনা ৱাংজিং কৈথেল ফম্বী নুপীশিংনা শীন্থা লেপ্পুনা চেকশিন খোঙচৎ চৎখিবা



লামায় ৩

মণিপুর লৌমী মরুপ, ওইনাম লোকেল কম্মিটিনা শীল্লগা তোঙান-তোঙানবা দিমান্দ তাল্লদুনা ওইনাম কৈথেলদা লৌমীশিংগী ওইবা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখিবা



লামায় ৪


Vol. 43, Issue No.207 | থাংজ, মেরাগী ২৮নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, October 26, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## এম এস টিগী অখন্নবা বস চেলহন্নবা খন্নখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস):

মণিপুরীশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা এম এস টিগী অখন্নবা বস সর্ভিস চেলহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্কী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা খন্নখ্রে। ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী পাউতাক মতুংইন্না খন্নখিবনি হায়রি।

## HL Poll

Q: Manipur Legislative Assembly na apunbagi shaktam ngaknabagi matangda loukhiba warep Centre na ekai khumnarakkani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipur gi MLA 60 na stateki apunba shaktam ngaknabagidamak shiba kidana chongthorakkani haina khanbra?

Yes 08% No 92%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

# এন এস সী এন-আই এমগী কাদর ৪০০ রোম ম্যান্মাররোমদা চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস):

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা চথুরিবা পিছ টোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা আই-এমগী মায়কৈদগী তোখায়বা নাগাশিংগী ফ্লেগ অমসুং কন্সটিট্যুসন লৈহন্নবগী মতাংদা তাল্লিবা দিমান্দ অসি মপূং ফানা ফংলোইদবগী মতৌ লাকপদগী কেম্প হেব্রোন থাদোক্তুনা লূপ অসিগী কাদর ৪০০ রোম ম্যান্মার অমদি চাইনারোমদা চঙশিনখ্রে হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়রি।



ওফিসল ওইদ্রবসু থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউ অসিনা হায়, ইন্দো-নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন অমা লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১ ফাওবগী মনুংদা পুরক্লনবা থৌরাং তৌরি হায়না ইন্টরলোক্যুটরসু ওইরিবা নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবিনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। ৱাফম অসিগী মতুংইন্না ৱারোইশিন পুরক্লবা শেম শারকপা অসিদা এন এস সী এন-আই এমনা নাগাশিংগী তোখায়বা ফ্লেক অমদি কন্সটিট্যুসন লৈহনগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরকখিবনি। ৱাফম অসিগী মতাংদা ঙরাংসু দিল্লিদা এন এস সী এন-আই এমগী জেনরেল সেক্রেটরি থুইঙালেং মুইভানা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মীহুৎশিংগা পুং ৩ লোম চুপ্পা ৱারী শানখিবনি। ৱারী শানবা অদুদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমখিদবদগী মখা তানা মায়কৈ অনীগী মরক্তা ৱারী শানবগী ফীভম লাকখিবনি। এন এস সী এন-আই এমনা তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অয়াবা পীরকপগী মতৌ উরক্তবনা মরম ওইরগা লূপ অসিগী কাদর ৪০০ হেন্না দিমাপুরদা লৈবা হেব্রোন কেম্পতগী ফিজম শেৎলগা হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাংদগী ম্যান্মার অমসুং চাইনাগী বোর্দররোমদা চঙশিনখিবনি।

এন এস সী এন-আই এমগী কাদর ৪০০ হেনবনা হেব্রোন কেম্প থাদোক্তুনা চৎখিবা অসিদা খ্বৎলায় লোয়নখিবগী ৱাফমদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

পাউগী লীখুন অসিনা মখা তানা হায়, এন এস সী এন-আই এমগী কাদরশিং অসি মণিপুর ফাওরগা ম্যান্মার অমসুং চাইনাগী বোর্দর তম্না চৎখিগদৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগা তাইনরিবা বোর্দর পরিং অমদি চাইনাগা তাইনরিবা বোর্দরগী পরিংদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে।

মখা লামায় ৩ কলম ৫

### দ্রাফ্টিং কম্মিটিনা মেমোরেন্দম শেম শাবা লোইশিনখ্রে

# পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎ কাঙবু অমা ঙসি দিল্লিদা চৎনবা থৌরাং তৌখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস):

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা চথুরিবা পিছ টোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপগী মতম থারকখিবগা ঈরোয়ননা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীফম্না খন্নরবা তুংদা শেমখিবা দ্রাফ্টিং কম্মিটিনা সেন্টরগী লুচিংবশিংদা পীশিনগদবা মেমোরেন্দম শেম-শাবা লোইশিনখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অদু পীশিল্লুনবগীদমক ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎ কাঙবু অমা হয়েং দিল্লিদা চৎনবা থৌরাং তৌখ্রে হায়রি।



দ্রাফ্টিং কম্মিটিগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদগী পুং ১১.৩০ তাবা ফাওবা চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতা ষ্টেটসিগী সী এম, এন বিরেন য়াওনা মীফম পাঙথোক্তুনা হিরমসিগী মতাংদা খন্নখি। দ্রাফ্টিং কম্মিটিনা দ্রাফ্ট তৌদুনা পুথোরকখিবা মেমোরেন্দম অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরদা পীশিন্নবগী মতাংদা মীফম অদুনা রেক্কমেন্দ তৌখি হায়রি।

মীফম অদু লোইরবা তুংদা দ্রাফ্টিং কম্মিটিগী মেম্বর ওইরিবা শিব সেনা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা ফোঙদোরকখিবদা, পিছ টোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন অমা থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা পুরক্লগনি হায়না নাগালেন্দগী গভর্ণর ওইরিবা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা ষ্টেটসিগী ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীফম অমা ফমদুনা কুপ্পা খন্নরবা তুংদা মেমোরেন্দম দ্রাফ্টিং কম্মিটি শেমখিবনি। মীফম অদুদা এন পি এফকী মীহুৎসু শরুক য়াখি। এন পি এফকী মায়কৈদগীসু ৱাফম কয়া থমখি। মীফম অদুনা খন্নরবা তুংদা দ্রাফ্টিং কম্মিটি শেমখিবনি।

দ্রাফ্টিং কম্মিটি অসি দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা চেয়রমেন ওইরি। অদুগা মেম্বরশিং ওইনা এন পি পিগী থাংমিনলিয়ন কিপগেন, সী পি আইগী ডা. এম নরা, এন ঈ আই দি পিগী ডা. এন জি বিজয়, বি জে পিগী পি শরতচন্দ্র, এম পি সী সীগী কে দেবব্রত, এল জে পিগী এম ইবোহল, এম পি পিগী ঐচ গীতাজেন অমদি শিব সেনাগী ওইনা এম তোম্বী মশামক য়াওরি।

দ্রাফ্টিং কম্মিটিনা দ্রাফ্ট তৌখিবা মেমোরেন্দম অদু সী এম য়াওনা পাঙথোকখিবা ...

মখা লামায় ৩ কলম ১

## Important Phone Nos.

| | | |
|---|---|---|
| RIMS | - | 2414478 |
| J.N. Hospital | - | 2450385 |
| DG Control | - | 2450100 |

**FIRE SERVICE**

| | | |
|---|---|---|
| Imphal | - | 101 |
| Moirang | - | 8415925197 |
| Churachandpur | - | 8415925191 |
| Thoubal | - | 8415925203 |
| Kakching | - | 8415925194 |
| Jiribam | - | 8415925193 |
| Mayang Imphal | - | 8415925196 |
| Bishnupur | - | 8415925190 |
| Moreh | - | 8415925198 |
| Kangpokpi | - | 8415925195 |
| Ukhrul | - | 8415925205 |
| Senapati | - | 8415925199 |
| Chandel | - | 8415925192 |
| Singhat | - | 8415925201 |
| Sugnu | - | 8415925202 |
| Yairipok | - | 8415925206 |

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৫ °C খ্বাইদগী ঈংবা ১৬ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.২১ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৮

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩৯

## Today's Flights Timing (Non Stop only)

**IMPHAL → AGARTALA**
Air Asia (India) 15:45

**IMPHAL → BENGALURU**
IndiGO 10:30

**IMPHAL → GUWAHATI**
IndiGO 02:20
Air Asia (India) 11:30
Air Asia (India) 13:00
Air India 14:20

**IMPHAL → GUWAHATI**
IndiGO 11:00
Air India 13:25
Air India 15:00
Air India 16:45

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 78.767604 |
| US Dollar | 70.887159 |
| British Pound | 90.920981 |
| Australian Dollar | 48.386297 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.027942 |
| Japanese Yen | 0.652869 |
| Malaysian Ringgit | 16.935901 |
| Australian Dollar | 48.386297 |
| Singapore Dollar | 51.994558 |
| South Korean Won | 0.060353 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.903242 |
| Thai Baht | 2.349821 |
| Myanmar Kyat | 0.04624 |
| Bangladesh Taka | 0.83723 |

## Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 39433.16 |
| Mumbai | – | Rs | 40427.81 |
| Delhi | – | Rs | 40267.38 |
| Kolkata | – | Rs | 40631.02 |

## অস! লোইরেহে!

- সেন্টরনা ফৈরেং-তুরেং কোক হেক তৌশিল্লক্লবদি ঐখোয় নাতে চারোইসে!



- মদুদি সেন্টরগীনি ঐখোয়গী নত্তে হায়না খুম্মসে...!

# নুপী নোংমৈনা কাপ্লুবা ওফিসর কোর্টনা বেলদা থাদোকখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস):

থা অসিগী ২১গী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা ইম্ফালগী ওল্ড এসেমব্লি কমপ্লেক্সতা লৈবা ফুদ কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া (এফ সী আই)গী ওফিসতা থোকখিবা থৌদোক্তা লেবরর নুপী ১ নোংমৈনা কাপ্পুনা শোকহনখিবা ওফিস অসিগী ওফিসর ১ কোর্টনা বেলদা থাদোকখ্রে।

ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টনা বেলদা থাদোকখ্রবা ওফিসর অদুগী মমিং সঙলাই জেমস (৫৯) কৌই। কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী রিহা ভিলেজদগী লৈখিদ্রবা এস মনিচান্দগী মচানুপানি। হৌজিক্লা মন্ত্রিপুখ্রিগী বেঙ্গলি কোলোনিদা লৈবনি। মহাক ওফিস অসিগী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর (দি জি এম-আর) ওইবনি হায়রি।

নুমীৎতুদা মঙোন্দা মেম্মরেন্দম পীশিনবা লাকপা সী এ এফ এন্দ পি দি লেবররস ৱেলফেয়র এসোসিএসন, মণিপুরগী নুপী লেবররশিংদা মশাগী লাইসেন্স পিষ্টোলনা কাপ্লুবনি। মসিদা নুপী ১ নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোকপনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা নুপী ...

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# রাজর্ষি ভগ্যাচন্দ্রনা আর্ট এন্দ কলচর চাওখৎহন্নবা মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্মী : ডা. নজমা হেপ্তুলা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচ এন এস):

রাজর্ষি ভগ্যাচন্দ্রনা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচর চাওখৎহন্নবগী মতাংদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্মী হায়না গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা ফোঙদোকখ্রে।

রাজ ভবনগী দরবার হোলদা ঙসি 'রাজর্ষি ভগ্যাচন্দ্র এন্দ দি ভক্তি মুভমেন্ট ইন ইষ্টর্ন ইন্দিয়ন লিটরেচর' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ফোঙবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা গভর্ণরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মণিপুর সিটিজন ফোরম অমদি ইন্টলেকচ্যুল ফোরম ওফ নোর্থ ইষ্টনা খুৎশম্নরগা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্বলীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ অমদি মণিপুর সিটিজন ফোরমগী কনভেনর ডা. সি ঐচ চন্দ্রমনিনা মথং শীৎনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ত্রাইবেল য়ুনিভর্সিটিগী দিরেক্টর ডা. এন জি ঙালেংবমনা স্পেসল ইনভাইটি ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবদা চীফ গেষ্টনা হায়খি, রাজর্ষি ভগ্যাচন্দ্রনা আর্ট এন্দ কলচর চাওখৎহন্নবা হোৎনরম্বগা লোয়ননা তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলম্মী। নিংথৌ অসিনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা রাস লীলা মখল ৫ কমপোজ তৌরম্বগা লোয়ননা মহারাস, বসন্তা রাস অমদি কুঞ্জ রাসনচিংবা পুথোকলম্মী।

কুমজা ১৭৪৮দা পোকখিবা ভগ্যাচন্দ্র নিংথৌনা অৱাগা লান শোক্লরবা মতুংদা তখেল লৈবাক্তা চেন্দুনা লৈরিঙৈদা লোর্দ কৃষ্ণগী শক্তম মমঙদা উখিবগা লোয়ননা কাইনা চিংদা হৌবা থৈবোং পাম্বী অমনা ...

...মখা লামায় ৩ কলম ৩

# মোব জষ্টিস তৌরুবা মীওই ১৩ দা লুপা ৪,৬৭,০০০ পীনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচ এন এস):

ঙসিদগীনা চহী ১৪ রোমগী মমাঙদা কুমজা ২০০৫ গী ফেব্রুৱারী ২৮ গী নুমীদাং পুং ১১ রোম তারকপদা সেকমাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা কান্তো খুলদা থোকখিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক অমগী মখা তারকপদা মীওই অমবু নুপী অমগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহল্লি হায়দুনা চার্জ তৌবগা লোয়ননা ময়ুম-মকৈ অমাঙ-অতা থোকহনখিবা অমসুং পুলিসতা রিপোর্ট তৌদুনা ফাহল্লগা জেলদা থমখিবগী মায়োক্তা মীওই অদুনা ফাইল তৌরকপা ওরিজিনেল (দেমেজ) স্যুট অমগী রুলিংদা কোর্টনা থৌদোক অদুদা চেন্নবা নুপী য়াওনা মীওই ১৩দা লুপা ৪,৬৭,০০০ গী শেনফম পীনবা খঙহনখ্রে।

কোর্টকী ওর্দর অসি ঙসি সিভিল জজ (সিনিয়র দিভিজন), ইম্ফাল ৱেষ্ট ওজেস মুতুমগী কোর্টনা লাউথোকখিবনি। মীওই ১৩ অসিগী মথক্তা দেমেজ স্যুট তৌরকখিবা মীওই অদুগী মমিং ঙাংবম তোলপিশক (৩২) কৌই। কান্তো মনিং লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা এন জি বিরচন্দ্রগী মচানুপানি। অদুগা ঙসি পীখিবা কোর্টকী ওর্দরদা মঙোন্দা ...

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়দুনা মফম কয়াদা চেকশিন মৈরা খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস):

ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা চথুরিবা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা মরিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়দুনা ঙসি নুমিদাং ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চেকশিন মৈরা খোঙচৎ চৎখ্রে।



কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)না লাউথোকখিবা মতুংইন্না তোঙান-তোঙানবা মৈরা পায়বী লূপশিংনা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ লোম তাবদগী মফম কয়াদা চেকশিন মৈরা খোঙচৎশিং চৎখি। অয়াংপল্লি, শীংজমৈ ময়েংবম লৈকায়, খুয়াথোং, সেকমাই, খোঙহামপাৎ, মহারাবী, অৱাং সেকমাই, তেন্দোংয়ান, নরানসেনা, হাওবম মরম ইরোম লৈকায়, হৈরাঙ্গোইথোং মাইবম লৈকায়, ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়, হিয়াংথাং তরাহৈ কোঞ্জিলনচিংবদা তোঙান-তোঙানবা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা মৈরা পায়বীশিংনা চেকশিন মৈরা খোঙচৎ চৎনখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাংজিং বাজার, হৈরোকনচিংবদসু মীয়াম্না খুৎতা মৈরা পায়দুনা মাগী-মাগী লৈকায়দা চৎখি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদসু চেকশিন মৈরা খোঙচৎ চৎখি হায়রি। মফম কয়াদা চেকশিন মৈরা খোঙচৎশিং চৎখিবা অদুদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পুলিসনা নীংথিনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়ননা ঙাক শেনখি। ইম্ফালগী মরুওইবা মফম কয়াদদি সী আর পি এফকী পর্সনেলশিংসু ঙাক শেনগী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াখি।

চেকশিন মৈরা খোঙচৎ চৎখিবা অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই, ইন্দিয়ানা কাঙলুপ নাইবা থৌশিল তৌবা য়ারোই, মণিপুরগী এম এল এশিং দিল্লি চৎলু, এম এল এ ৬০ নরোল চুম্মু, ফিরেপ লেপ্পু, ইন্দিয়ানা মণিপুরবু থুগায়গনু, ৱারোইশিন পুরকউ-ৱাকায় পুরক্কনু, ...

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## য়ু জি কাদর অমা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ২৫(ঐচ এন এস):

থা অসিগী ১৮গী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা ১৫-অসাম রাইফলসনা পীরকপা ইনফোর্মেসন অমদগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী কম্মান্দোশিংনা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাইদা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং চথবদা ফাখিবনি হায়বা য়ু জি গ্রুপ অমগী কাদর ১ কোর্টতগী ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে।

ফারবা কাদর অদুগী মমিং নিংথৌজম সঞ্জোয় এলিয়স খুৎলিংবা মৈতৈ (৪০) কৌই। ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নুঙঙু অৱাং লৈকাইদগীনি হায়রি।

মখা লামায় ৩ কলম ৭





## হুইয়েন লানপাউ নিংঙোল সেল্ফি কন্টেষ্ট

করিগী নিংহন্নগদৌরিবনো? ঙসিসু ইচে-ইচল নখোয়গীদমক নবুং-নৌপ্পাশিংনা মহৌশাগুম পাম্বোম তিংনা লেপ্লি। চহী অমদা তাঙনা লাকপা নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপসিদা ইকোক নোন্না কৌজরিয়ে নপাম লমদমগী নবুং-নৌপ্পাশিংনা নখোয়গী হৌরকফম পন্থৌ ইঙ্খোল শাইগোন্নুংদা। হুইয়েন লানপাউনসু নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা খুনাই অসিগী ইচে-ইচল পুন্নমকপু য়াইফ পাউজেল পীজরি। নক্লা লৈরবসু হিংনবগী লানফমদা তোয়না উনবা ফংদ্রবসু নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মচল-মচে, মবুং-মৌপ্পাশিংগা নুংশিনা উনবা মীৎকুপ অদুবু মতম কুইনা নীশিংদুনা লৈহৌনবগী পান্দমদা হুইয়েন লানপাউনা 'হুইয়েন লানপাউ নিংঙোল সেল্ফি কন্টেষ্ট' হায়না মিংথোনবা কন্টেষ্ট অমা পাঙথোকচগদৌরি।

কন্টেষ্ট অসিদা মচল-মচে, মবুং-মৌপ্পাশিংগা উনবগী পূন্না নম্মিন্নবা ৱাহন্থোক লৈবা সেল্ফি ফোটো অনী-অনীখক নবেম্বর ১ ফাওবগী মনুংদা থাবিরকউ। ফোটোশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবা ৱাহন্থোক লৈবা ফোটো খরা খনগৎচরগা 'বেষ্ট নিংঙোল ওফ দ য়র' মিংথোল পীজদুনা হুইয়েন লানপাউদা ফোঙজগনি। ফোটোশিং অদু হুইয়েন লানপাউগী ই-মেল, ৱাট্‌সঅপ নম্বরদা থাবীরকউ। নৎত্রগা ওফিসতা লাক্তুনা পীশিনবীয়ু। চহীগী অকক্লবা লৈজদে, নিংঙোল অমদি মবুং-মৌপ্পাগা পূন্না নম্মিন্নবা ফোটোশিং থাবীরকপা মতমদা ইশাগী মিং, লৈফম অমদি মোবাইল নম্বর হাপ্পীরকউ।

email id: hueiyen_lanpao@rediffmail.com
Whatsapp No.: 9774803145
Office: Sega Road, Thouda Bhabok Leikai Imphal West – 795001



Manipur Cab Services

"Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিয়ু

Normal ₹ 15 per Km.

Standard ₹ 25 per Km.

Toll Free Number 1800-345-3838

Google Play

Manipur Cab Services 2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal

Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.

HL-P/4095/9/10-8/11



Introducing you

THE R-SQUARE ACADEMY

(A unit of R-Square Career Consultancy)

Keishampat Konjeng Hajari Leikai, Imphal West - 795001

e-mail : thersquarecareer@gmail.com, ✆ : 8837000842, 8258081487

REGISTRATION OPEN

GENERAL FOUNDATION COURSE (for All Competitive Exams.) Arithmatics, Reasoning (Verbal & Non-Verbal), General Eng., General Awareness, Currect Affairs, Computer Knowledge (Fees Rs. 13,000/-)

CIVIL SERVICES EXAMS. a) Pre b) Mains c) Optionals (Manipuri, Geography, Pol. Sc., Economics & PA) (Fees Rs. 20,000/-)

Classes Start on 11th Nov., 2019 (5.00 a.m. - 7.30 a.m./ 4.40 p.m. - 7.40 p.m.)

Why R-Square Academy : • Hi-tech Classroom • Fully Air Conditioned • Top Faculty Members • High Frequency Interactions with Eminent Personalities • Best Faculty-Students Ratio (1:35)

FREE Special Sessions on "Know-Your-Future Competitive Exams." add-on special course given to all our Xth-XIIth students to enable them to prepare for their upcoming competitive exams. like NEET, JEE-mains, IAS, MCS, etc.

(A venture of the R-Square Career Consultancy, the most trusted name which has successfully ushered in thousands of students to various reputed institutions across India and abroad).

HL-P/4041/22-27